হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

ফার্মর ফর্ষ্ট প্রোগ্রামগী মখাদা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রাম থৌরমগী শক্তম

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ইম্ফাল হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখিবা শেমরোক ৱুদষ্টোক, চীংমৈরোংগী অহানবা এন্যুএল দে থৌরমগী শক্তম

SHEMROCK WOODSTOCK
ANNUAL DAY FUNCTION 2017

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিস অমদি এক্সাইজ ওফিসকী মনিংথংবা শরুক্তা তারম্বা লাইফ পেরা বোম অমা পুলিসনা রিকোভর তৌবগী শক্তম

এন আই টি মণিপুরনা শীনবা ঔগ্রি ২০১৭কা মরী লৈননা পাঙথোকপা অঙাংশিংগী লাই-য়েকপা চাংদম্নবগী শক্তম অমা

Vol. 41, Issue No.004 নোংমাইজিং, লমতা ২৮নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, March 26, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

এন বিরেন অমসুং টি ঐচ বিশ্বজিৎ ঙসি দিল্লিদা চৎলগনি

লুপা ক্রোর ১৭,০০০কী প্রোজেক্ট পীবিনবা পি এমদা তক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা বি জে পিনা লূচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈখ্রবা তুংদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনরুনবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ ন্যু দিল্লিগীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোল্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ হেনবগী শেনফম পীবিনবা তক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী মেম্বরশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী মেম্বরশিংনা কন্দোদিয়াদা চৎলুরবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর উনবদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর ঙসি উনগনি হায়না থৌরাং তৌরুই। অদুবু থাদোকপা য়াদবা থবক খরদগী থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা উননবা এপোইন্টমেন্ট পীরে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক অমসুং টি ঐচ বিশ্বজিৎ পুং ১ চুপ্পা মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শানগনি হায়না খঙহল্লক্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর উনবদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা শেল থাদবীয়ু হায়না তকশিনগনি। তকশিনগদৌরিবশিং অদুগী মনুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কার্টরশিংদা নুপীশিংগী কৈথেল অমমম শানবা ৱাফম য়াওরি।

লম্বী-থোংগী খুদোংচাদবা মফমদা লৈবা মীয়ামদা অনা-লায়েংগী থবক মপুং ফানা ফংহন্নবা পান্দমগী মখাদা এম্বুলেন্স হেলিকোপ্টর অনী লেম্না খুদোলপোৎ ওইনা মণিপুরদা পীবিয়ু হায়না তক্লগনি। এম্বুলেন্স অদু চলাইবদা চঙবা মচাক-মথুম পুন্নমক মণিপুর লৈঙাক্না পুগনি। মসিনা মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙমগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর উনবদুদা মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিং মতম চুপ্পগী ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা নেসনল হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংখৎপীনবা তকশিনগনি। মণিপুর রেজিমেন্ট লিংখৎপীনবা তক্লগনি। মসিমক ষ্টেট অসিগী …*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

‘গ্রেটর নাগালেন্দগী ৱারেপ লৌখিবা লৈতে’

নাগা তাবা লম পুনশিল্লগনি হায়বা ৱাফমগী মায়োক্তা অসামদা খোঙজং হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

নাগা তাবা লমশিং পুনশিল্লগা গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্বগী ৱাফম য়ানরে হায়বা রিপোর্ট অমবু সেন্টরনা ঙসি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট খরদা চোইনা খুন্দারিবা নাগাশিংগী লম পুনশিল্লগা গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্বগী ৱাফম গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরে হায়বা রিপোর্ট অমা থেংনরে। রিপোর্ট অসি অরানবনি। অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম অমত্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াখিবা লৈত্রি।

অদুমকপু এন এস সী এন (আই-এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভাগী ৱাফম পল্লদুনা হন্দক্তা সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা সেন্টরনা নাগা তাবা লম মখৈ পুনশিনবগী ৱাফম অয়াবা পীরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা সেন্টরগী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অমদি মুইভানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী মমাঙদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবনি। কুমজা ১৯৯৭ তা অহানবা ওইনা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা চহী ১৮ চঙনা ৮০রক ৱারী শানরবা মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদু সাইন তৌনখিবনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা তুং কোয়না চৎনগদবা মওংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা হিব্রোনদা লৈবা এন এস সী এন (আই-এম) গী হেদ ক্কার্টরসতা পাঙথোকখিবা ৩৮শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ মুইভানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা অসামদা পাক শন্না মীয়ামগী য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখ্রে।

মুইভাগী ৱারোল অদু পাউচেশিংদা ফোঙনরকখ্রবা মতুংদা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু), অসোম জাতিয়াতবাদি য়ুব ছাত্র পরিষদ (এ জে ৱাই সী টি) অমসুং এ টি এ এস এ য়াওনা অসামগী তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা সেন্টরগী অশেংবা ফীরেপ খঙহল্লু হায়না তকশিল্লকখি।

তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী লুচিংবশিংগী ইফিজি মৈ থাদুনা নাগালিম শেম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখি।

আসুনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অসামগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা লৌবা ঙম্লোই। ষ্টেটকী মপানদা লৈবা মীওই ফুরুপ অমত্তনা অসামগী মতাংদা খন্ননবগী রাইট লৈতে।

নাগালেন্দদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদা মপুং ফানা শৌগৎলি। অদুবু অসামগী লম খায়দোকখ্রগা নাগালেন্দদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদি য়াবা ঙম্লোই। সেন্টর অমসুং অসাম গভর্ণমেন্টনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা অশেংবা ফীরেপ অমা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়নসু আসুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি এন এস সী এন (আই-এম) না শেমগনি হায়রিবা নাগালিমগী মনুংদা টিনসুকিয়া, দিব্রগড়, শিবসাগর, চরাইদিয়ো, যোরহাট, ঘোলাঘাট, কর্বিআংলোং, দিমা হাসাউ অমসুং নাগাউন দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিং য়াওরিবনি।

মুইভানা হন্দক্তা পীখিবা ৱারোল অমদা এন এস সী এননা মরী লৈনবা মীওই ফুরুপশিংগা নিপাল্লক হন্না ৱারী শানদুনা নাগালিম শেম্বগী মতাংদা অপাম-পামদা খঙদোকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। হিষ্টোরিক ওইবা ফ্রেমৱার্ক …*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ঔগ্রি ২০১৭ ঙসি লোইশিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি) মণিপুরনা পরিং নাইনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ঔগ্রি ২০১৭কা মরী লৈনবা থৌরমশিং হয়েং লোইশিল্লগনি।

ঔগ্রিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙসিগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা লমদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোকখি। ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইস্রো)গী একজিবিসন অমসুং লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী একজিবিসনশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা ফাইব এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট, বেট্ল ওফ বেন্দস, পেন্টিং কম্পিটিসন, দিবেটিং কম্পিটিসননচিংবা পাঙথোকখি। ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা মিস ঔগ্রি ২০১৭ টেরেসা পাওনমনা তাখ্রে। অহানবা রন্নরস অপনা মার্টিনা পুখ্রম্বম অমসুং অনীশুবা রন্নরস অপনা সমিকসা মহাপত্রনা তাখ্রে। মিস ফোটোজেনিকনা অতোম সুস্মিতা, বেষ্ট কেট ৱাকনা…*মখা লামায় ৩ কলম ১*

বন্দ তৌবশিংগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌগনি : সী এস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস) :

মার্চ ২৫গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা থংনবা নুমিৎ ফাওবা দেসাম অমদি অতৈ সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা কৌরিবা বন্দ লৈবাক মীয়ামগী য়েংলগা হন্দোক-পীরক্লবা লৈঙাক্না আপিল তৌখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা থাদোরকপা আপিল তৌবগী চৈরোল অমনা হায়, মার্চ ২৫গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ১৭ চুপ্পা মণিপুরগী মফম পুম্বদা দেসামনা বন্দ কৌগনি হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিংদগী খঙবা ঙম্লে। দেসামগী দিমান্দ খন্ননবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা ৱারী শানসি হায়না কৌবদা মীওই অমত্তা লাকখিদে। মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন অমদি অম্মোকোকনসু জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরি।

বন্দ অসিনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা শেল থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা থোকহল্লগনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কনাগুম্বা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমনা ষ্টেট অসিদা বন্দ কৌরকপা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং ফংলিবসি নোংমগী খুৎশুমন্না হিংবা শিন্নী অমসুং মীচম মীয়ামনি। সুপ্রিম কোর্ট অমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মীওইবগী ফন্দামেন্টেল রাইট খোঙ্গাওনবা বন্দবু লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না ৱায়েল পীবা লৈখ্রে। বন্দ কৌরকপা মীওই খূদিংমক লোগী মতুং ইন্না প্রোসিক্যুট তৌবা য়াই।

বন্দনা মরম ওইরগা মীচম মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরকপা মতমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই। তঙাইফদনা বন্দ তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলক্কনি। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা দেসাম অমদি অতৈ সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মার্চ ২৬কী বন্দ অসি মীচম মীয়ামগী খল্লগা খোঙফম হন্দোকপীনবা আপিল তৌরি।

ট্রান্সপোর্টর, দুকান মপু অমদি অতৈ ইষ্টাব্লিশমেন্ট খূদিংমক বন্দ নুমিত্তা মহৌশাগী মতৌগুম মথৌ পাঙথোকপীনবা আপিল তৌরি। বন্দ মনুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা সিক্যুরিটি পীগনি হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, পুলিস পার্সনেলশিংনা দেসামগী থৌমীশিং ফাগৎনবা ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। পুলিস কাঙবু অমনা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা চঙশিল্লুবদা থৌমী অমফাওবা থেংনরকখিদে। ওফিস অদুগী থোঙদা চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা আপিল তৌবা চেরোল অদু পুলিস পার্সনেলশিংনা নপ্লগা থল্লমখি।

লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌহন্দনবা হোৎনবসিদা কনাগুম্বনা মতেং পীদ্রবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখ্রে। ঙসি অহিংদগী কৌরিবা বন্দ অসি থেংননবা অমসুং মহৈরোয়শিং অদুগা মহাক্না ৱারী শানরগা ৱাখল তামিন্নবা পুরক্লবা মায়কৈ খূদিংমক্তগী হোৎনবীনবসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে।

অমরোমদা, য়েলহৌমী নত্তবা মীওই লৈঙাক্তা য়াওহনবগী মায়োক্তা দেসামনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি হন্দোকপগী ৱাফম লৈত্রি।

দেসামনা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা মরম চাই অমসুং শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ওফিসার অমগী টেবলদা ফাইল থম্বগী মতম লেপথোক্লবা চীফ মিনিষ্টরনা সী এসতা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস) :

লৈঙাক্তা মরী লৈনবা ফাইলশিং অমসুং দিপার্টমেন্টশিংগা মরী লৈনবা ফাইলশিং মতম কয়াম কুইনা ওফিসার অমগী টেবলদা নৎত্রগা মিনিষ্টরগী টেবলদা থম্বা য়াবগে হায়বগী অকক্লবা মতম লেপথোক্লবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরদা খঙহনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, কম্মিস্নার অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগা উনখ্রে। উনবদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক অমসুং অতৈ হীরম কয়াগী ফাইলশিং দিরেক্টর, কম্মিস্নার নৎত্রগা মিনিষ্টরশিংগী টেবলদা কয়াম কুইনা থমগদগে হায়বগী মতাংদা মতম লেপথোক্লবা অমসুং লেপথোক্লবা মতম অদু ঙাক্লা চৎহন্নবা মহাক্না থবক লৌখৎকনি হায়না খঙহনখ্রে।

লৈঙাক্কী মরুওইবা ঈ-পাউশিং মীয়াম খঙহন্নবা অখন্নবা থবকশিং পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখি অমসুং চীংগী সব-দিভিজন ৪২দা সব-দিভিজনেল ইনফোর্মেসন সেন্টর অমমম লিংখৎনবা লুপা ক্রোর ২২৬কী শেনফম সেন্টরদগী লৌনবা মহাক্না চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী ওফিস বিল্ডিং মৈ চাকখিবদু লৈঙাক অসিনা হেক পায়রকপগা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা মীয়ামদা নীংজিং মাঙজিংনবা পোক্লরিবসি কোকহন্নবা অৱাংবা থাক্কী ওফিসলগী লেবেলদা ইনক্কারি অমা তৌনবা চীফ মিনিষ্টরনা খঙহনখ্রে। ইনক্কারি তৌনবগী নোটিফিকেসন লাক্লিবা নিংথৌকোবা নুমিত্তা থোক্লবা য়াই হায়রি।

অদুমকপু ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডো. রাজোনদি মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা চে-চাং অমত্তা চাকখিবা লৈতে। শুপ্নতগী সিরিঞ্জ খরা অমদি হীদাক-লাংথক খরখক্তুমক মৈ চাকখি হায়না শেংদোকখি হায়রি।

লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কম্মিস্নারশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখিবা ৱাফম অমা পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, আই এ এস ওফিসার খরদনা মশীং য়াল্লবা দিপার্টমেন্টশিং পুহনবা অদুগা খরদনা করিমত্তা পুহন্দবগী চৎনবী অসি তৌবীগনু। মসিনা থবক ঙম্বা ওফিসার কয়াদা য়াম্না শাথিবা চৈথেং ফংহল্লি।

এন্তি-করপ্সন সেলগী ওফিসার ২ হাপখ্রে, ৱাকৎ ৪০০ হেন্না লাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস) :

শেঙ্গা থুমজা অমসুং মীচঙ শঙ্গ নাইবা থবক তৌবা থিংনবগী পান্দমদা ঙরাং ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা এন্তি-করপ্সন সেল হাংদোক্লবা লৌখিবা ৱারেপকী তুংদা ঙসি সেল অসি থবক তৌবা হৌহন্নবা ওফিসার অনী হাপখ্রে।

লৈঙাক্লা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন্তি-করপ্সন সেলদা থবক তৌগদবা ওফিসার অনী অদুদি এম সী এস ওফিসার পি গোজেন্দ্র অমসুং এম পি এস ওফিসার হেমন্ত সিংহনি। মীয়াম্না ৱাকৎলকপশিং য়েংশিন্নবগী থৌদাং ওফিসার অনী অসিনা লৌগনি। মখোয়না রেজিষ্টার অমা শেমগনি অমসুং ৱাকৎলক্লিবা মীওইশিংগী মমিং-মথা অমসুং টেলিফোন নম্বরনচিংবা নীংথিনা ইশিল্লগা থমগনি। অদুমকপু ৱাকৎলক্লিবশিংগী মরী মখোঙ অমত্তা কনাগুম্বা অমত্তদা খঙহনবা য়ারোই।

সেল অসিনা চীফ মিনিষ্টর য়ৌহন্নবা সী এমগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট পীরক্কনি। লাক্লিবা ৱাকৎশিং অদু কয়ামুক য়াম্না চুমই অমসুং শাজিন্নব্রা হায়বনচিংবা চীফ সেক্রেটরিনা চ্যেরমেন ওইবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরি (দি পি)না মেম্বরশিং ওইবা কম্মিটি অমনা স্ক্রিনিং তৌগনি। স্ক্রিনিং কম্মিটিগী …*মখা লামায় ৩ কলম ১*

মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন্নসু ঙসি বন্দ কৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী সিটিজেন ওইরবা মীওই অমবু মীতোপনি হায়না মরাল শীরদুনা লৈঙাক্তা য়াওহন্দনবা দিমান্দ তৌনরকপগী মায়োক্তা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন্না ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা পথাননা পাউমীশিংদা হায়খি, জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী হ্বাইট পেপর পুথোকউ, ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী ৱাথোক লৈখায় তাহল্লগা কনা কনা মণিপুরগী সিটিজেননো হায়বা খঙহনগদবনি হায়বনচিংবা দিমান্দ তৌরদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি চথবনি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা জিরিবামদগী কারকখিবা মীতোপ্তা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি পীখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট’স এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা কৌরকপা হায়বসি লমদম অসিদা চহী চা কয়াদগী খুন্দামিন্নদুনা লৈমিন্নরক্লবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা উংখৎনরকপা ফীভম থোকহল্লকপা হায়বসি লাইবক থীবনি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা অনা-লায়েং, লাইনিং-লাইশোন, ইগজামি-নেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং, মিদিয়াগী লমদা থবক তৌরিবশিং অমসুং ফায়র সার্ভিসেসনচিংবদি কোমথোক্কনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লমদম অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর মীয়ামগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরগা লাকখিবা মীয়াম্না ৱাহং কয়া হংলিবা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদা চমন্নবা লৈরিবগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টদা অল্টিমেটম অমা পীদুনা তকশিল্লগনি।

নাগা ইন্টিগ্রেসন, সাউদর্ননাগালেন্দ, গ্রেটর নাগালেন্দ অমদি অল্টরনেটিব এরেঞ্জমেন্টনচিংবা কয়া খোঙজং ওইনা চঙশিল্লকখ্রে। কুমজা ১৯৯৭ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০০১ দা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা ঈহৌ অমা হৌরক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখিবা ‘দ গ্রেট জুন অপরাইজিং’ হায়না মীয়াম্না থৌরম পাঙথোক্লরিবা মতম পুন্নমক্তা মুৎনাইদনা…*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

HL POLL

Q: CM secretariate ta hangliba Anti Corruption cell na senjathumja toubasing thingba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Nagagi lam punsinbada centre na yare haina NSCN(IM) na fongdokkhibadu thajaningai oibra?

Yes 39% No 61%

অস! লোইরেহে!

ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়রমদাইনে !

ꯉꯝꯈꯩ ꯀꯥꯏꯍꯜꯂꯣꯏ ꯍꯥꯏꯔꯝꯗꯥꯏꯅꯦ!



নাগামখৈ পুনশিনবা য়ারোই হায়না হায়রম্বদি লৈতমাল্লেদা…!

ꯅꯥꯒꯥꯃꯈꯩ ꯄꯨꯟꯁꯤꯟꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯝꯕꯗꯤ ꯂꯩꯇꯃꯥꯂꯦꯗꯥ…!

খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মীশিং নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি : কে ঐচ শাথি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ : রেদ আর্মি অপরাইজিং দে ২০১৭কী ৩৭শুবা কুমওন থৌরম লাকপদা লৈবাক অসিগী মীয়াম, নিংতম লালহৌ অসিবু মায় পাক্লবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লূপ অসিগী কাদরশিংগী মফমদা রেদ আর্মিগী মিলিটরি এফেয়র্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে ঐচ শাথিনা আপিল তৌরক্লি।

চ্যেরমেন অসিনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, পিপল’স রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী খুৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিগী ৩৭শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে কুমসিসু মহৌশাগুম হয়েং পার্টি অসিগী সী ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, টেক্নিকেল হেদক্কার্টর, য়ুনিট হেদক্কার্টরস, বেজ এরিয়াশিং, ট্রান্সিট কেম্পশিং অমদি ট্রেনিং সেন্টরশিংদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা কথোকপতনা থৌদাং ওইরিবা, নিংতম পন্থুং য়ৌদ্রিফাওবা হনবা লৈতনা য়াওল লাম্থেং চঙশিল্লিবা রেদ আর্মিশিংদা অনৌবা থৌনা হাপ্পীয়ু। পন্থুং য়ৌনবগী লম্বী ফাওবা খোঙফম অমত্তা হন্দোক্তনবগী ৱাখল্লোন পীনবীয়ু হায়না মীয়ামদা য়াইফ মঙ্গোল নীরক্লি।

পার্টি অসি লিংখৎখিবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, কুমশিং ১৯৮০ মার্চ ২৬ কী অয়ুক পুং ১০.১৫ তাবদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়ায়দা লৈরম্বা ৱিমেন হোস্পিটাল, চহী খরগী মমাঙদনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হায়না খঙনরম্বা অদুগী গেট ময়াদা সী আর পি এফকী কম্যান্দেন্ট মিশ্রাগী এস্কোর্ট কাঙবু অমদা লান্দাদুনা হাভিল্দার অমা হাৎলগা কন্সটেবল অনীনা অশোক-অপন নংহন্দুনা ষ্টেনগন অমগা ৩০৩ রাইফল অমগা লৌখি। মসিদা নত্তনা মোইরাং অমসুং লম্লাইদা থোকখিবা থৌদোকশিং অমদি অতৈ-অতোপ্পা

৩৭শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে

রেদ আর্মিগী মায় পাকপা লানফমশিং পুন্না শূপচিল্লগা মার্চ ২৬ পু রেদ আর্মি অপরাইজিং দে হায়না প্রিপাক্লা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

কংলৈপাক্লা লোয়লম শন্দোকপা ইনি দয়াগী শুপ্নম লৈঙাকখাদা চহী ৬৮ চুপ্প। লৈরুবগী মহয় ওইনা মখোয়দগী নিদ্রগদি হিংবা ঙমদবা চাক্লিবা অমগী পুন্সিরোলদা হিংলকখি। মসিমক ইনি দয়ানা তৌগে খনবা থৌশিল অমগী মখাদনি। মৈহৌরোলদগী তৎন-থানবা য়াদনা নুংশিনবা লিপূন অমগা লোয়ননা পুন্না হিংমিন্নরক্লবা চীংবুরোই-তম্বুরোই অনীগী মরক্তা তাইশিন্নবা য়াদনবা খায়দোক-খায়জিনগী থৌশিল কয়া চথবা লেপত্রি। হন্দক কংলৈপাক্কী নেসনল হায়ৱেদা নুমিৎ ১৩৯ নি চূপ্পা ইকনমিক ব্লোকেদ চথদুনা লমদমসিগী মীয়াম ৱাবগী খেমথেংনা খাংনখিবদু ইম্পেরেলিষ্ট ইন্দিয়ানা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা অমদি শেত্তোক্লনবা শীল্লকপা শরৌ লাং অমনি হায়না চেরোল অসিনা মরাল শীরি।

য়ু এস এনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা চহী ১৫ চূপ্পা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবদগী মখোয়গী মাঙখিবা ৱার্ক কলচরশিং অদু হল্লকখিবদগী ঙসি নোর্থ কোরিয়া করি থাক্তা লৈরিবগে হায়বসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা খঙজিনবা ফৈ। কংলৈপাক্তা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা কা হেন্না মূক্লবা হেনগৎহনবা হায়বসিনা ফুরুপশিংগী মরক্তা তোখায় তানিংবগী ঈথিল শুংশোই শোয়দনা পোক্লরক্কনি অমদি মসিনা কংলৈপাক্কী নিংতম ঈহৌদা অচৌবা চৈথেং অমা পীগনি হায়বসি ইন্দিয়ানা খল্লি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অপুনবা মীৎয়েংদা ঐখোয়গী লৈবাক মীয়ামগী নিংতম লালহৌগী তাঙ্ককসিদা থেংনগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা য়েক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লি। লৈবাক মীয়ামগী নিংতম …*মখা লামায় ৩ কলম ২*

হোন্দাগী অনৌবা কার *দল্লিয়ু আর-ভী* ইম্ফালদা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস) :

হোন্দা কম্পনিনা পুথোকপা পেট্রোল অমদি দীজল শীজিন্নবা য়াবা ওল ন্যু হোন্দা দল্লিয়ু আর-ভী ঙসি এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা সঙাই হোন্দা শোরুমদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টর ওফ ট্রান্সপোর্ট ঐচ রোশিতানা চীফ গেষ্ট, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমার, য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লম্ফেলপাৎ ব্রাঞ্চকী চীফ মেনেজর ইরোম প্রদীপকুমার অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিজনেল বিজিনেস ওফিসার কমল খনালনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং সঙাই হোন্দাগী চীফ ইগজিক্যুটিব ওফিসার ও ভিশালনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা ঐচ রোশিতানা হায়খি, টেক্নোলোজি চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না মীওইবদা কান্নবা অমদি হেন্না নুংঙাইবা মখলগী গাড়ী কয়া পুথোরক্লি। অনৌবা গাড়ীশিং অসি মীয়াম্না নুংঙাইনা শীজিন্নবীয়ু। তৌবতবু অতোপ্পদা অকায়বা অমসুং খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনবীয়ু।

গাড়ী মপুশিংনা লম্বীদা খুদোংথিবা থোক্তনবা ট্রাফিক রুলশিং অমসুং ট্রান্সপোর্টকা মরী লৈনবা রুল এন্দ রেগ্যুলেসনশিং পরম চুম্না চৎপীয়ু। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না মালেমদা নোইজ পোল্যুসন অমদি এয়র পোল্যুসন থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি। মীয়াম্না মায়োক্লরিবা ইস্যুশিং অসি খঙনা চৎপা তঙাইফদে হায়খি।

মতম অমদা মণিপুরগী মীয়াম্না অফবা অমদি অপাম্বা গাড়ী অমা লৈনবগীদমক মপান লমদা চৎনরমই। অদুবু ঙসিদি মণিপুরদা অফবা কম্পনি কয়াগী শোরুমশিং হাংবদগী খুদোংচাদবশিং অদু কোক্লে। মমিং লৈরবা হোন্দা কম্পনিনা মীয়াম্না পাম্বা গাড়ী মখল কয়া ফংহনবসি নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ও ভিশালনা হায়খি, মালেমগী হোংলক্লিবা অওনবদা মণিপুরগী মীয়াম্না শরুক য়াবা ঙম্লে। নুংঙাইরবা অমদি অফবা টেক্নোলোজি কয়া য়াওরবা গাড়ী মখল কয়া শো রুম অসিদা ফংলে। মীয়াম্না নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংদগী লোনগী খুথাংদা লৈনবগী খুদোংচাবসু ফংহনবা ঙম্লে।

ঈ-পাউজা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫